কোভিদ–১৯: সেক্টরশিংদা ষ্টেটুটরী অমসুং রেগুলেটরী কমপ্লাইন্সকী মতাংগা মরী লৈনবা তেঙবাংশিং লাওথোকখ্রে

নিউ দেল্লি, মার্চ ২৪ (পি আই বি) ঃ

ইন্দিয়াগী শেল–থুম অমসুং কোর্পোরেট এফিয়র্স মিষ্টির নির্মলা সীতারমন্না ঙসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কোভিদ–১৯ গী লায়চৎ অসিগী মীৎয়েং থম্লদুনা মরু ওইনা সেক্টর কয়ামরুমগা মরী লৈননা ষ্টেটুটরী অমসুং রেগুলেরটরী কমপ্লাইন্স–কী মতাংগী মরী লৈনবা মরু ওইবা তেঙবাং কয়া লাওথোকখ্রে। ঙসি মফম অসিদা কনফরেন্সিংগী থোঙদা ৱা ঙাংলদুনা সীতারমন্না ইনকম টেক্স, জি এস টি কষ্টম অমসুং সেন্ট্রেল এক্সাইজ, কোর্পোরেট এফিয়র্স, ইন্সে–ালভেন্সি এন্দ বেঙ্কক্রপসি কোদ (আই বি সি), ফিসরিজ, বেঙ্কিং সেক্টর অমসুং কমর্সকী লমদা য়াম্না মরু ওইবা তেঙবাংশিং লাওথোকখি।

শেল–থুম অমসুং কোর্পোরেট এফিয়র্সকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অনুরাগতা নত্তনা এ বি পান্দে, ফাইনান্স সেক্রেটরী, ইকোনোমিক এফিয়র্স দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরী অতনু চক্রবতীসু শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংগা মরী লৈনবা ষ্টেটুটরী অমসুং রেগুলেটরী কমপ্লাইন্সকী মতাংগা মরী লৈনবা ৱারেপশিং মখাদা পীরি :–

ইনকম টেক্স

১) ইনকম টেক্স রিটর্ন তৌবা (এফ ৱাই ১৮–১৯) গী অরোয়বা তাং মার্চ ৩১, ২০২০ দগী জুন ৩০. ২০২০ ফাওবা শাংদোক্লে।

২) আধার–পান লিঙ্ক তৌবগী তাং মার্চ ৩১, ২০২০ দগী জুন ৩০, ২০২০ ফাওবা শাংদোক্লে।

৩) বিবাদ সে বিশ্বাস স্কিম–জুন ৩০, ২০২০ ফাওবগী মনুংদা থিবদা অহোনবা ১০% লৌরোই।

৪) নোটিশ, ইন্টিমেসন, ইনফোর্মেসন, এপ্রুবেল ওর্দর, সেঙ্কসন ওর্দর, অপিল মেনবা, রিটর্নগী ৱারোল মেনবা, ষ্টেটমেন্টশিং, এপ্লিকেসনশিং, রিপোর্টশিং থাদোকপগী দ্যু দেটশিং অমসুং অতৈ চে–চাং অমা হেক্তা অমসুং ওথোরিটিনা থৌওং চৎথবা লোয়বগী অকক্লবা তাং অমসুং ইনকম টেক্স এক্ত এক্ট, ৱেলথ টেক্স এক্ট, বেনাবী প্রোপতি ট্রান্সেক্সন এক্টকী অথিংবা, ব্লেক মনী এক্ট, এস টি টি লো, সি টি টি লো, ইকুইলাইজেসন লেভী লো, বিবাদ সে বিশ্বাস লো য়াওনা টেক্সপেয়রনা ইনগদবা অমা মার্চ ২০, ২০২০ দগী মার্চ ৩১, ২০২০ ফাওবগী মনুংদা লোইরবা অকক্লবা মতম অদু জুন ৩০, ২০২০ ফাওবা শাংদোক্লগনি।

৫) এদভান্স টেক্স–সেল্ফ–এসেসমেন্ট টেক্স, রেগুলর টেক্স, টি দি এস, টি সি এস, ইকুইলাইজেসন লেভী, এস টি টি, সি টি টিগী মার্চ ২০, ২০২০ অমসুং জুন ৩০, ২০২০ ফাওবগী মনুংদা থেংনখিবগীদমক শেন্দোইগী চাং চহীগী ১২% / ১৮% গী মহুৎতা ৯% দা (হায়বদি খা অমদা ১ / ১.৫ % গী মহুৎতা ০.৭৫ %) অসি পেরদ অসিগীদমক লৌরগনি। পেরদ অসিগা মরী লৈননা থেংবগী লেৎ ফী / পেনাল্টি লৌরোই।

৬) হায়রিবা মতেং অসি মতিক লৈহন্নবগীদমক মথৌ তাবা লিগেল সর্কুলরশিং অমসুং লেজিসলেটিব এমেন্দমেন্টশিং থাদোক্কনি।

জি এস টি / ইন্দাইরেক্ট টেক্স

১. মখোয়গী অপুনবা চহীগী তর্নওভর লুপা ক্রোর ৫ দগী তাবশিংনা অরোয়বা তাং মার্চ, এপ্রিল অমসুং মে ২০২০ দা ওইবশিং অদু জুন ২০২০ গী অরোয়বা চয়োল ফাওবা দি এস টি আর–৩ বি ফাইল তৌবা য়াগনি।

২) অতৈনা মার্চ, এপ্রিল অমসুং মে ২০২০ গী রির্টন দ্যু অদু জুন ২০২০ গী অরোয়বা চয়োলদা ফাইল তৌবা য়াগনি অদুবু হায়রিবা অদুগী শেন্দোগী চাং দ্যু দেটকী মতুং নুমিৎ ১৫গী মতুং দগী (হৌজিক্কী শেন্দোইগী চাং চহীগী ১৮%নি) চহীগী @ ৯% দা হন্থগনি। জুন ৩০, ২০২০ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিল্লবদি লেট ফী অমসুং পেনাল্টি ফঙলোই।

৩) ১. কম্পোজিসন স্কিম খনবগী মতম ২০২০ গী জুনগী অরোয়বা চয়োল ফাওবা শাংদোক্লে। শেনবা চহী ১৮–১৯ গী চহীগী জি এস টি ফাইল তৌবগী মতম ২০২০গী মার্চ ৩১ ওইরম্বা অদু ২০২০গী জুনগী অরোয়বা চয়োল ফাওবা শাংদোক্লে।

২. জি এস টি লোশিংগী মখাদা পাঙথোক্কদবা থবকশিংগী অরোয়বা মতম ২০২০ গী মার্চ ২০ ওইরম্বা অদু ২০২০গী জুন ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে।

৩. জি এস টিগী দরকার ওইবা সারকুলারশিং অমসুং লেজিসলেটিবগী শেমদোকপগী থবকশিং জি এস টি কাউন্সিলগী অয়াবা লৌরবা মতুংদা পাঙথোক্কনি।

৪. সবকা বিশ্বাস মখাদা পেমেন্ট তৌগদবশিং ২০২০ গী জুন ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে। করিগুম্বা ২০২০ গী জুন ৩০ দা পীরবদি মতম অসিগী শেন্দোয় অমতা লৌরোই।

কষ্টমস

৫. ২০২০ গী জুন ৩০ ফাওবা কষ্টমস ক্লিয়ারেন্স পাঙথোক্কনি।

৬. কষ্টমস এক্ট অমসুং মসিগা মরী লৈনবা লোশিংগী মখাদা ২০২০ গী মার্চ ২০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা থবকশিং অদু ২০২০ গী জুন ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে।

শেল–থুমগী থবকশিং

১) থা অহুম কোমথোক্লে

– দেবিদ কার্দ পায়বশিংনা অতোপ্পা বেঙ্কশিংগী এ টি এমদগী লেম্না থা অহুম শেল লৌথোকপা

– মিনিমম বেলেন্স ফি লৌদবা

– দিজিটেল ত্রেদ ট্রান্সসেক্সনশিংগী বেঙ্ক চার্জ হন্থবা

কোরপোরেটকী থবকশিং

১. ২০২০ গী এপ্রিল ১ দগী সেপ্তেম্বর ১ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা চে চাং, রির্টর্ন অমসুং ৱারোলশিং থেংনবা ফাইল তৌবগী অহেনবা ফি অমতা লৌরোই।

২. কম্পেনিশিংগী বোর্ড মীটিং তঙাইফদনবা পাঙথোকপা অদু নুমিৎ ৬০ গী মতম শাংদোক্লে।

৩. কম্পেনিস (ওদিটরস রিপোর্ট) ওর্দর ২০২০ অসি মমাঙদা নোটিশ থোকখিবা ২০১৯–২০২০ গী মহুৎতা শেনবা চহী ২০২০–২০২১ দগী চৎনবা য়ারগনি।

৪. ২০১৯–২০ গী ওইনা করিগুম্বা কম্পেনি অমগী আই দিনা মীফম অমা ফাওবা পাঙথোক্তবদা মদু লোনা য়াদবনি হায়না লৌরোই।

৫. শেনবা চহী ২০২০–২১ গী ওইনা ২০২০ গী এপ্রিল ৩০ গী মমাঙদা দিপোজিট রিজার্ব চাদা ২০ ওইগদবা অদু ২০২০ গী জুন ৩০ ফাওবা শাং দোকপা অয়াবা পীরে।

৬. ২০২০ গী এপ্রিল ৩০ গী মমাঙদা দিভেঞ্চরশিংগী চাদা ১৫ ইনভেষ্ট তৌবা দরকার ওইবা অদু ২০২০ গী জুন ৩০গী মমাঙ ফাওবা য়ারগনি।

৭. নৌনা শেম্বা কম্পেনিশিংনা থা ৬ গী মনুংদা থবক হৌরে হায়না লৌথোক্কদবা অদু মখা তানা অহেনবা থা ৬ গী মতম অমা পীরে।

৮. কম্পেনি খুদিংমক্কী য়ামদ্রবদা দিরেক্টর অমা ইন্দিয়াদা নুমিৎ ১৮২ লৈগদবা অদু ইন্দ্রবসু মদু আইননা য়াদবনি হায়না লৌরোই।

৯. কোভিদ–১৯ লায়চৎনা মরম ওইদুনা কম্পেনি অয়াম্বনা শেল–থুমগী ফীভম শোকচিনবদগী দিফোল্ডগী লিমিট হৌজিক লুপা লাক্ষ ১ ওইরিবা অসি লুপা ক্রোর ১ দা হেনগৎহল্লে। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি ২০২০ গী এপ্রিল ৩০ গী ৱাংমদা ফাওবা চৎথরবদি কম্পেনিশিং ইন্সোভেন্সি তৌবগী থবকশিং লেপকনি।

ফিসরি দিপার্টমেন্ট

১. শ্রিম্প ব্রুদষ্টোক অমসুং অতৈ লৌউ–শিংউ গী পোৎলমশিং পুশিল্লকপগী সেনিটরী পরমিটশিং থা ৩ শাংদোক্লে।

২. পোৎলমশিং থা ১ ফাওবা থেংনা য়ৌরকপা য়ারগনি।

৩. অহেনবা বুক্কিং চার্জ এক্কাটিক কারেন্টিন ফেকসিলিটি চেন্নাইদা রিবুক্কিং তৌবা য়ারগনি।

৪. ক্বারেন্টিন এন ও পি পীনবা মতম নুমিৎ ৩গী নুমিৎ ৭ দা শাংদোক্লে।

কম্মার্স দিপার্টমেন্ট

তোঙান তোঙানবা থবকশিংগী মতম শাংদোকপগী মতাংদা কম্মার্স মিনিষ্ট্রিনা তোখায়বা নোটিশশিং থোক্কনি।

ম্যান্মারদা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অনী থেংনরে

নেপিটো, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ

কোভিদ–১৯ না মালেমগী লৈবাক কয়াদা শন্দাক্তুনা মীশি–মীনা কয়া থোকহল্লক্লিবা অসিদা মতম কুইনা লায়না অসিনা নাবা মীওই অমত্তা থেংনদবা ম্যান্মারদা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অনী থেংনরে হায়না ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী হেল্থ এন্দ স্পোর্ট মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং থেংনখিবা পোজিটিভ ওইরবা মীওই অনী অদুদি মশাগী চহী ২৬ কত্তা ঙাইরিবা ম্যান্মারগী সিটিজেন অমা লোয়ননা ম্যান্মারদা লৈবা মশাগী চহী ৩৬ শুরবা য়ু এসকী গ্রীন কার্দ পায়বা মীওই অমগনি হায়রি। ম্যান্মারগী সিটিজেন অদু হন্দক্তা য়ু কেদগী হল্লকখিবনি লোয়ননা য়ু এসকী সিটিজেন অদুসু য়ু এসতগী ম্যান্মারদা হল্লকপা কুইদ্রিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

য়ু কেদগী হল্লকখিবা মীওই অদু থা অসিগী ২২ দা য়াঙোন এয়ারপোর্টতা থুংলরবা মতুংদা লেঙুগী ক্বারেন্টিনদা থম্লকখিবনি। মসিদা হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী মাউবীদা পুদুনা টেষ্ট তৌরুবদা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরকখিবনি। মহাক হৌজিক ৱাবরগী হোস্পিটালদা লায়েংলি হায়রি।

য়ু এসতগী হল্লকখিবা মীওই অসিসু থা অসিগী ১৩ দা য়ু এসতগী ম্যান্মারদা থুংলখিবনি। মসিগী মতুংদা কন্না লায়হৌ হৌরকপদগী ম্যান্মারগী চিন ষ্টেটকী তিদিম টাউনশিপ জেনরেল হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লাকখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ম্যান্মারগী হেল্থ মিনিষ্টরনা হায়, কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অনী অসিগা লোয়নরুবা মীপূম খুদিংমক কুপ্পা থিগৎতুনা য়েংশিল্লগনি। লৈবাক অসিদা অনা–লায়েংগী লমদা খরা শোত্থনা লৈবা মরম্না হেন্না অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়রি।

ঙরাং লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখিবগা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়াম্না পোৎ– চৈ লৈশিন্নহৌনবা হোৎনবদা অঙকপা ফংনা কৈথেলদা মী তিনখি।

হৌখিবা চয়োলদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী লৈঙাক্লা ম্যান্মারগী অনা–লায়েংগী ফীভম ফত্তবা অদুগী য়েংলগা ম্যান্মারদা লৈবা য়ু কেগী সিটিজেনশিংবু মশাগী মরমদা থুনা হল্লক্লবা খঙহল্লকখিবা লৈরবনি। মসিদসু নত্তনা ঙরাং অয়ুক অঙনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট এম্বেসিনা ম্যান্মারদা অঙাংশিংবু ইংলিশ তম্বীনবা লৈরিবা মখোয়গী পীছ কোর্পসকী মীহুৎ ৬৭ অদুবুসু কোভিদ–১৯ গী লায়চৎ অসিগী য়েংলগা য়ু এসতা থুনা হল্লক্লবা খঙহল্লকখ্রবনি।

কোভিদ–১৯ হায়রিবা ন্যুমোনিয়াগী লায়ওং হায়রপ মান্নবা লায়না অসিনা মালেমগী লৈবাক ১৬৮ হেন্না শন্দোক্তুনা মীওই লিশিং ১৬ কী মথক্তা শিহনখিবতা নত্তনা মীওই লাক্ষ ৪ রোম নাহনখ্রবনি।

কোভিদ–১৯ নাবগা ফ্লাইট পুল্লকপশিং পাউ ফাওরক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এসএন এস) ঃ

মণিপুরদা ঙসি অহানবা ওইনা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইখবী পেসেন্ট অদুগা পুন্না ফ্লাইট তোংমিন্নরকখিবা মীওইশিং হেল্থ দিপার্টমেন্টতা পাউ ফাওরক্লবা খঙহনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী স্পিসিয়েল সেক্রেটরী (হোম) ঐচ জ্ঞানপ্রকাশনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা মার্চ ২১ দা ইম্ফালদা থুংলখিবা এয়ার এসিয়াগী ফ্লাইট নম্বর আইে৫–৫০১ দা তোংলকপা পেসেঞ্জর অমা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মরম অসিনা ফ্লাইট অদুদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জরশিংনা ষ্টেট হেল্থ দাইরেক্টোরেটকী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫–২৪১১৬৮ দা খুদক্তা পাউ পীবিয়ু নৎত্রগা থেংলবদা মার্চ ২৫গী অয়ুক পুং ৮ ফাওবা পাউ ফাওনবীদুনা মেদিকেল এগজামিনেসন মপুং ফানা চথবা য়ান্নবা অমদি তঙাইফদ্রবদি ক্বারেন্টাইন তৌনবা চেরোল অদুনা খঙহনল্লি।

করিগুম্বা পেসেঞ্জরশিংনা দাইরেক্টোরেট অসিদা কন্টেক্ট তৌরক্ত্রবা অমদি মেদিকেল টেষ্ট তৌরক্তবা তারবদি মখোয়বু আই পি সিগী সেক্সন ২৬৯ অমদি ২৭০গী মখাদা চৈরাক ফংগনি হায়না পল্লি।

অমরোমদা কোভিদ–১৯ থিংনবা লৈঙাক্লা ইন্টর ষ্টেট বোর্দরশিং সিল তৌবগা লোয়ননা ইন্টর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টশিং থিংবা অমদি লোকদাউন তৌবা য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা য়াথংশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা মীয়াম চখে–াক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখিবা অমদি ঙসি অয়ুক্ পুং ১১ তাবা মতমদা চীফ সেক্রেটরিনা চ্যার লৌরগা দি জি পি অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিংগী ওইবা মীফমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না কোলকটা অমদি গুৱাহাটি দা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরগী পেসেঞ্জরশিংনা মশানা শেল পীরগা মণিপুর ভবনশিংদা লৈবগী খুদোংচাবা ফংবা য়াগনি হায়রি। মরম অসিনা পেসেঞ্জরশিংনা কোলকটা অমদি গুৱাহাটি মণিপুর ভবনদগী মসিগী খুদোংচাবা অসি মশাগী তঙাইফদবা অদু য়েংলগা লৌবিয়ু হায়রি। লোয়ননা লমদনবা পেসেঞ্জরনি হায়বা খঙনবগীদমক মখোয়গী ইকোন কোনবা টিকেট নৎত্রগা মখোয়গী চৎনবগী টিকেটশিং অদু উৎকদবনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা চৈরাওবগী পাউজেলদা কোভিদ–১৯দগী চেকশিন্নবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ

হয়েং পাঙথোক্লগদৌরিবা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা নুমিৎকা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়ামদা পাউজেল পীরদুনা অনৌবা চহী লাকপগী ওকপা মতমদা ঐখোয় ঐখোয়গী নুংশিজবশিং অমদি ঐখোয়গী ফুরুপকী হকচাংগী খন্দুনা চেকশিন্নবা অদুগা মী অমগা মী অমগা লাকথোক্লবা মীওই মরিদগী হেন্না তিনবা মফমদগী লাপথোক্লবা লোয়ননা লাই খুরম্বা মতমদা পীকথনবা অপিল তৌরক্লি। ঐখোয়না তৌফম থোকপা ইথৌ খঙবগা লোয়ননা খুন্নাইগী য়েংলগা কৎথোকপা য়াবা কৎথোক্তুনা মীওইবা জাতিদা শীনরক্লিবশিং অসি থেংননবা ৱারেপ লৌরসি হায়বা ৱাফমসু চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী পাউজেলদা ফোঙদোরক্লি।

ফ্লু ক্লিনিক্তগী হেন্না হাংলরোই

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ

ষ্টেট অসিদা কোভিদ–১৯ শন্দোকপগী মওং অসিগী য়েংলগা জেনিমস হোস্পিটালগী ফ্লু ক্লিনিক ও পি দিদগী হেন্না অতৈ ও পি ডি পূন্নমক মখা তাবা ওর্দর অমা লাক্লিবা ফাওবা থিংজিল্লে হায়না হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সুপ্রিন্টেন্দেন্ট প্রো টি রাজেন সিংহনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি।

ফ্লু ক্লিনিক অসি ও পি ডি ব্লোক্কী ফার্ষ্ট ফ্লোর ১ দা হাংগনি হায়রি।

কৈশামথোং থাংজম লৈকাইদা মীতোপ চঙবা থিংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ

মালেমগী লৈবাক কয়াদা শন্দোরকপদগী ষ্টেট অসিদসু কোভিদ–১৯ (কোরোনাভাইরস) কনফার্ম ওইবা য়াওরকপদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা স্পিসিয়েল কৈশামথোং থাংজম লৈকাইদা মীতোপ চঙবা থিংখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা কৈশামথোং থাংজম লৈরক য়ুথ ক্লবকী এদভাইজর লোইতোংবম ইঙোনা পাউ চে অসিদা হায়, লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা শন্দারকপদগী ষ্টেট অসিদসু য়ৌশিল্লক্লবা কোভিদ–১৯ (কোরোনাভাইরস) তগী ঙাকথোক্লবা লৈকাই অসিগী ওইনসু মীতোপ চঙবা থিংবগী খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি। অথিংবা অসিদা মেদিকেলগী লমদা থবক তৌরিবশিংগীদি অথিংবা লৈরোই।

লৈকাই অসিগী চঙফম লৈরক মচিনদা ক্লবকী ভোলুন্টিয়রশিংনা পুং খায়নরগা মথৌ তৌনগনি। লৈকাই অসিনা চঙশিল্লিবা খোঙথাং অসি পূন্নমক্কী ওইনা য়াইফনবা লৌখৎপনি। কোভিদ–১৯ (কোরেনাভাইরস) অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা মীপুম খুদিংমক্লা হোৎনমিন্নসি। মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবনা ফীভম অসি ওইহল্লকপনি। মপালদা চৎলুবা মীওইশিংনসু ইশা ইশানা হোম ক্বারেন্টাইন তৌরগা চেকশিন্না লৈবিয়ু। খুন্নাই অমদা চাউনা শীনরিবা ভাইরস মখল অসিবু থেংননবা লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থৌরাং খুদিংমক্তসু কোওপরেসন পীবিয়ু।

পূক্নিং লৌশিং | বামোন অমুমচা

মীহৌ চাউরুনু

লৈবাক অমগী নিংথৌ অমনা মহাক্কী মহা মন্ত্রীগা লোয়ননা উমং অমদা শা তানবা লাক্লম্মী। উমং মনুংদা লমশাং লাকপগা নুংশানগা শাবগা মসিগীসু মথক্তা শা অমত্তা থেংনদবগা নিংথৌ অদু নীংবা কায়বগী মথক্তা শাথিনা চোকথরম্মী। মখোয় অনী চাওরবা উজাও অমগী মখোঙদা পোথানবা থৌরাং তৌরম্মী। মখোয় অনীনা ঙৈহাক অচা অথক পুথোক্তুনা চারিঙৈ–থক্লিঙৈদা মখোয়না তোংলকপা শগোলশিং অদুদসু মখোয়দা পীজনবা পুরকপা তল পুথোক্তুনা পীজনবা শেম শারম্মী। চনাশিং অদু শগোলগী মমাঙদা হেক থম্বা মক্তদা উজাও অদুগী মথক্তা লৈরম্বা য়োংজাও অমনা পরপ পরপ কুমথরক্লগা চনা খুবাম অমা লাক্লগা পরপ পরপ অমুক উজাও অদুদা কাখৎখিরম্মী। য়োংজাও অদুনা উজাও হেক কাখৎপা হৌবগা মহাক্কী মখুত্তগী চনা মরু অমা নাম্থোক্তুনা তাখিরম্মী। য়োং অদুনা তাখিবা চনা মরু অদু তাখিগদবদগী কলহৌনবা মহাক্কী মখুত্তা পায়রম্বা চনা মরুশিং অদুসু লোয়নমক লৈমায়দা চাইখায়দুনা তাখিরম্মী। চাইখায়দুনা তারিবা চনাশিং অদু শগোলশিং অদুনা চাথোকখিরম্মী। মখুত্তা চনা মরু অমা ফাওবা লেমহৌদ্রবা য়োংজাও অদু নীংবা কায়না উজাও অদুগী মথক্তা কাখৎখ্রগা উশা অমদা উংদুনা ফমদুনা লৈখিরম্মী।

নিংথৌ অদুগা মহাক্কী মহা মন্ত্রী অদুগা মখোয়গী মমাঙদা য়োংজাও অদুনা তৌরিবা থৌদৌ অদু য়াম্না নুংঙাইরবা কুম্মৈ অমগুম য়েংদুনা লৈরম্মী। কুম্মৈ অদু হেক লোইবগা নিংথৌনা মহা মন্ত্রী অদুদা মমাই ওনশিল্লক্লম্মী। মহা মন্ত্রীনা নোল্লুক্লা হঙ্গৎলি, ইনিংথৌ ইবুংঙো, অদোম্মা করিগুম্বা পোৎশক অমা হেঞ্জিন্না পান্নবা য়োংজাও অমসুং চনাগী থৌদোকসি হেক্তা নীংশিংবিয়ু।"

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

Crossword # 467



Across
1. Hankering
5. Messy person
9. Up to the time of
14. Sandwich shop
15. Chicago, e.g.
16. From Oslo
17. Count
19. Mink wrap
20. Had lunch
21. Notorious emperor
22. Seesaw
23. Compete
24. Colt's mom
26. Hog home
27. Appoint
30. ____ acid (nutrient)
32. Alter slacks
33. Uppity one
34. Cut wood
38. Adolescent
40. Make like new
42. Reach across
43. Seldom seen
45. Thin candle
46. Sports site
48. Writer ____ Hemingway
49. Common verb
52. "____ of Eden"
53. Commit perjury
54. Least wild
56. Gather crops
58. Physicians' gp.
61. Love dearly
62. Drink mixer
64. Caesar's language
65. Farm unit
66. Coral formation
67. Upright
68. Loch ____ monster
69. Inquires

Down
1. Thought
2. Camp shelter
3. Hint
4. Not her
5. ____ door
6. Teller of falsehoods
7. Footstool
8. Farewell!
9. Concealed
10. Brief letter
11. Horses' gaits
12. Small landmass
13. Suspicious
18. Mystery
22. Apache, e.g.
23. Capital of Austria
25. Love, in Florence
27. Martial ____
28. Leak
29. Mets' old stadium
31. Gasoline rating
33. Penn and Connery
35. Expectation
36. Unrefined metals
37. Cheeky
39. Terrific
41. Flag feature
44. Daily grind (2 wds.)
47. Take offense at
48. Delights
49. Start of a Dickens title (2 wds.)
50. Speed trap device
51. Act the ham
55. Actor ____ Idle
57. Messes up
58. Citrus drinks
59. Submissive
60. Barking sounds
62. Outlaw
63. Shooter's group (abbr.)

পাউখুম লমায় ৭ দা

[illegible] DUTTA [illegible]

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক অর্সিনাসক পাইলস কেপসুল দত্তা ক্লিনিকতগী ফংবিগনি

অঙৌবা পকপা

অঙৌবা পকপশিংবু থুনা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সন পুংলরে। হৌজিক্কী অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱাকপগী দরকার ওইরে। ইঞ্জেক্সন অসি শীজিন্ননা পুং ২৪ গী মনুংদা অঙৌবা পক্লিনা মফম অদুগী মচু হোংলক্কনি। লোয়ননা পুক্কে ফহনবা ঙম্মী। লোয়ননা মায়হিং, স্কিন অজমা, উরিং, মায় চাফৎপা মখল খুদিংগী স্কিন দিজিজ লায়েংকনি।

নুপাগী সেক্সকী সমস্যা (মেল সেক্সুএল প্রোব্লেম)

নুপাগী ফথী থুনা থোক্কনবা, ফথী পাবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোত্থবা, নুমিদাংদা ফথী চৎপা, খোঙ হাম্বা অমসুং মপান থোকপদা ফথী লোয়নরকপা, ফীনুংগী হকচাংদা হাক্কচবা, ফুরি পুংবা, নাই চাবা অসিনচিংবশিং অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্রে।

নুপীগী সেক্সকী সমস্যা (ফিমেল সেক্সুএল প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিজৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদ্রবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা হকচাং মনুংদা হাক্কচবা, ফুরি পুংবা, নাই চাবা অমদি অতৈ লায়নাশিং অসি অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্রে।

দাইবেটিসকী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙম্রে

দাইবেটিসকী লায়না লৈরবদি রেট চাং হন্থরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু শোত্থরক্কনি অদুনা অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসি শীজিন্নরবদি মতম খরগী মতুংদা দাইবেটিক্সকী চাংসু নোংমা নোংমগী হন্থরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্কনি অদুনা অথুবা মতমদা তাম্নবীয়ু।

ব্রেষ্টকী প্রোব্লেম

অয়ুরবেদিক্কী মেদিসিন্না অদোমগী অপীকপা অমসুং চোম্বা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবনা ফজনা, পুক্নীং চীংশিন্ননিংঙাই ওইবা অমসুং মপুং মরৈ ফানা থম্নবগীদমক ঙসিমক লাক্তুনা ব্রেষ্ট ওইন্টমেন্ট অমদি হীদাক শীজিন্নবীয়ু।

নুংশং

ঈ তাবা, চাফৎপা পোম্বা, হাক্কচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখল অসি ওপরেসন তৌদনা হীদাক শীজিন্নরগা পুক্কে ফহনবা ঙম্রে। নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা কায়বা খঙবা ঙমগনি।

শমগী প্রোব্লেম

শম কেনবা, কোক তাঙবা, পোক হৌবা, শমজাগী অসিনচিংবা লায়নাশিংদা কোক্তা তৈনবা থাউ অদুগী অতোপ্পা হীদাক খরগা শীজিন্নরবদি শম কেনবা হন্থরক্কনি অনৌবা শম হৌগৎলক্কনি অমসুং পোক্কী মচু ওন্নক্কনি।

গ্যাষ্ট্রিকী প্রোব্লেম (পুক্কী লায়না)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, অসিনবা কাখৎপা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, পুক থীনবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইত্তবা অসিনচিংবা অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসিনা লায়না ফহনবা ঙম্রে।

নাকোংগী প্রোব্লেম (না তাদবা)

না তাবা ৱাৎপা, নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা হায়রা করিসু তৌরমদবা, নাকোংদা তাবগী চাং ৱাৎলকপা অমদি অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্রে। অমুক্তং লাক্লগা তাম্নবীয়ু।

তাং চিকপা অমসুং শ্বাঙ নাবা

তাং চিকপা, শ্বাঙ নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, খুৎ হাইগৎপা ঙমদবা অজমা, লোক খুবা, মীঙন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা শুর ফুনবনচিংবগীদমক রাবীরুপনু য়াম্না থুনা উনবিদুনা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

য়ু কয়াম্না থাদোকনি

অফবা মখলগী অয়ুরবেদিক্কী হীদাক শীজিন্নদুনা য়ুদগী লাপথোকহনবা ঙম্মী। নুংঙাইবা পুন্সি মরেলনা ওইহনবা ঙম্মী। থুনমক তাম্নবীয়ু।

SL/Package

Please Contact
DR. (VAID) A.K. DAS

DUTTA CLINIC (REGD. NO. 55503) AYURVEDIC & UNANI MEDICINE
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road, Khoyathong, Imphal